# য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ৱেগ্নর গ্রুপপু সুদানগী আর এস এফতা মিসাইলশিং সপ্লাই তৌশিল্লি হায়না মরাল শীখ্রে

**ৱাশিংতন, মে ২৮ (এজেন্সী):**

মীওই মিলিয়ন ১.৩ রোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রবা সুদানগী হৌজিক চথরিবা লানদা নাকল অমা ওইরিবা পেরা মিলিটরি রেপিদ সপোর্ট ফোর্সেস (আর এস এফ) তা সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইলশিং পীশিল্লি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা রসিয়াগী ৱেগ্নর গ্রুপপু মরাল শীখ্রে।



শগোলশেল নুমিত্তা মর্ছিনরি গ্রুপ অসিদা মরাল শীখ্রিবসি য়ুএস ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা ৱেগ্নরগী মালিদা লৈবা লিদরগী মায়োক্তা অথিংবা কয়াসু লাউথোকখিবগা ইরোয়ননবনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা ৱেগ্নরগী লিদরবু য়ুক্রেনগী লানদা রসিয়নশিংনা শীজিন্ননবা খুৎলায়শিং ছোর্স কয়াদগী লৌননবা হোৎনরি হায়না মরাল শীরি।

ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি সুদানদা সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইলশিংনা লান হেন্না মতম শাংথহন্দুনা লমদম অদুদা মখা তানা কাংখোং চাইবগী ফিভম লৈহল্লি।

পনবা য়াবদি, রাইবেল জেনরেল অনীনা লূচিংবা আর এস এফ অমসুং সুদানিষ্ট মিলিটরিনা হৌখিবা এপ্রিলগী ময়াই থংবা শরুক্তগী ষ্টেট অমসুং মসিগী রিছোর্সশিং কন্ট্রোল তৌনবা লাম্থেংনরক্লিবনি। লান অসিদা মীওই চা কয়াগী পুন্সি লোমখ্রে।

অমরোমদা, ৱাশিংতন্না লান অদু হৌরকখিবদগী ৱাতেমদুনা সিজ ফায়র দিল কয়া পুরকপদা মতেং পাঙখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লান শোক্লরিবা পার্টিশিংনা চয়োল অমা চুপ্পা খুৎ থানবা লেপ্পবগী ৱাফম য়ানখি। তৌইগুম্বসুং মমাঙগী সিজ ফায়র এগ্রিমেন্টশিংগুম্না নাকল অনীগী মরক্তা মফম কয়াদা মখা তানা নোংমৈ কাপ্লে হায়না রেসিদেন্টশিংনা ফোঙদোক্লখি।

য়ুএসনা হায়রি, মদুদি সুদানগী মতাংদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি লান অদু তুং কোইনা লেপহন্নবা অমসুং লৈবাক অসিদা সিভিলিয়ন লৈঙাক হঞ্জিলহন্নবা হোৎনদ্রিঙৈগী মমাঙদা হাৎনা শুনবা হন্থহনবা অসিনি।

করিগুম্বা কনফ্লিক্ট অদু মখা তানা চথবা তারবদি হ্যুমেনিটরিয়ন কাটাষ্ট্রোফি অমা লাকপা য়াই হায়না রাইটস গ্রুপশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে। ৱেগ্নর গ্রুপনা পাল্লিবদি মী হেন্না শিহনবা অমদি অমাঙ অতা হেন্না থোকহনবা অসিদনি হায়রদুনা হৌখিবা থাদা য়ুএস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা সুদানগী কনফ্লিক্ট অদুদা গ্রুপ অসি চেন্নরকপা য়াই হায়বগী নুংনাংবা ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারীদগী মপুং ফানা লান্দাদুনা লাক্লিবা য়ুক্রেনদা অপান্বা মওংগী লান মখা চথবদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ৱেগ্নর গ্রুপকী মপান তাংদুনা লাক্লি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ট্রেজরিনা ফোঙদোকখ্রবনি।

লাউথোক্লিবা অদুগী মনুং চন্না য়ুএসনা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী অতৈ লৈবাকশিংগা ফাওনদনা লৈরিবা মালিদা লৈবা ৱেগ্নরগী মকোক ইবান অলেকসেন্দ্রোবিস মাস্লোভকী মায়োক্তা য়ুএসনা অথিংবা কয়া থমখি।

কুমজা ২০২৩ গী অঙনবা শরুক্তা য়ুএসনা ৱেগ্নরবু ট্রান্স নেসনেল ক্রিমিনেল ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মসিগী টোপ লিদরশিংদা অথিংবা কয়া থমখিবনি। ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ৱেগ্নরবু অরান অহুইগী দোক্যুমেন্টশিং শীজিন্নরগা মালিগী খুথাংদা য়ুক্রেনগী লানদা রসিয়াবু মতেং পাঙনবা লানগী মচাক মথুম কয়া স্মগল তৌনবা হোৎনৈ হায়নসু মরাল শীখ্রবনি।

# ইমরান খাননা ৱারী শাননবগী ৱাফম হৌদোরকপদা পাকিস্থান গভর্ণমেন্টনা য়াখিদ্রে

**ইস্লামাবাদ, মে ২৮ (এজেন্সী):**

লাঙ্গৈই চল্লবা পাকিস্থানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ৱারী শান্নবগী ৱাফম হৌদোকপদা লৈবাক অসিগী রুল্লিং পার্টিশিংনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ৱারী শানবা হায়বসি পোলিটি-সিয়নশিংগা চথগদবনি, টেররিষ্ট-শিংগা চথগদবা নত্তে হায়রদুনা গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী ওফর অদু য়াখিদবনি হায়না লোকেল মেদিয়াগী রিপোর্টশিংনা হায়রি।

এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়রিবদি পি টি আইগী মায়োক্তা ফাবা পুনবগী অচৌবা কেম্পেইন অমা চথদুনা লৈরিঙৈদা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লবগী মতম অমা য়াননবা গভর্ণমেন্টগা ৱারী শাননবগীদমক পার্টি অসিগী চীফনা মেম্বর তরেৎকী ওইবা নিগোসিএটিং টিম অমা শেমখিবগা ইরোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

পার্টিগী মরু ওইবা লূচিংবা কয়ানা নুমিৎ খুদিংগী মফম থাদোক্লদুনা হিংবা ফাওবা লুবগী ফিভম অমা গভর্ণমেন্টগী কেম্পেইন অসিনা লাকহল্লিবনি। ফা পুনবগী কেম্পেইন অদু হৌখিবা মে ৯ দা খানবু ফাবদগী পার্টি অসিগী



লুচিংবশিং অমসুং ৱার্করশিংনা ষ্টেট অমসুং আর্মিগী প্রোপর্টি কয়া মাঙহন তাকহনবগা লোয়ননা মৈ থাখিবা মতুংদা লাকখিবনি।

ইমরান খানগী ওফর অদুগী পাউখুম ওইনা রুল্লিং পাকিস্থান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) গী সুপ্রিম লিদর নৱাজ সারিফনা ত্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা হায়খি, মদুদি ৱারী শানবা হায়বসি শুপ্ন গী পোলিটিসিয়নশিংগা লোয়ননা পাঙথোকপনি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় কৎখিবশিংগী মেমোরিএলশিংবু মৈ থাবগা লোয়ননা লৈবাক পুম্বা কাং খোং চাইহন্নবা শিল্লিবা টেররিষ্টশিং অমদি লৈবাক্কী থবক থৌরমশিং ফেল ওইহন্নবা হোৎনরিবশিংদদি ৱারী অমত্তা শান্নরোই।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ফেদরেল মিনিষ্টর ফোর ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মারিয়ুম ঔরঙ্গজেবনা হায়খি, মদুদি ষ্টেটতা এটেক তৌবশিং মহৌশাদগী চৈরাক পীদুনা লাক্লি। মখোয়গা নিগোসিএসন তৌনবা হায়বসি চৎনদে। খাননা লৈঙাক্কী পৱার পায়রিঙৈ মতমদা হান্নগী মিলিটরি রুল্লর জেনরেল (রিটয়র্দ) পর্বেস মুশরফনা পি এম এল-এন অমসুং পাকিস্থান পিপলস পার্টি য়াওনা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা লৈরিবা ক্রিমিনেল কেসশিং লোইশিলহনখি হায়না তোইনা ফোঙদোকখিবনি।

# রসিয়ানা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা দ্রোন এটেক পাক শন্না চথখ্রে

**কিভ, মে ২৮ (এজেন্সী):**

রসিয়ানা য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা ইনৌ নৌনা দ্রোন এটেক চাওনা চথখ্রে। কিভকী মেয়র বিটালি ক্লিৎস্কোনা ফোঙদোকখিবদা পেট্রোল ষ্টেসন অমগী মনাক্তা অকায় অতোই নঙলবা দ্রোনগী মচেৎশিং তাশিল্লকপদা নুপা অমা শিখিবগা লোয়ননা নুপী অমা অশোক অপন নঙখ্রে।



য়ুক্রেনগী এয়র ফোর্সনা পীবা রিপোর্ট মতুং ইন্না রসিয়ানা পুন্না রেকোর্দ ওইবা মওংদা কামিকাজে দ্রোনশিং য়ুক্রেনিয়ন টার্গেটশিংদা লোঞ্চ তৌখিবদা দ্রোন ৫২ কাপথখি। কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারীদা মপুং ফানা লান্দাবা হৌখিবা রসিয়ানা কিভতা এটেক হেন্না কন্না চথদুনা কেপিটেল অসিগী ঙাকশেলগী থৌরাংশিং লাকহৎনবা হোৎনরিবনি।

দ্রোন মচেৎ মকাইশিং তাশিল্লকপদগী কেপিটেলগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা অৱাংবা বিল্ডিং অনী মৈ চাকখি। কিভকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না সিটি অসিগী খা থংবা কোলোসিবসকী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ৱায়র হাউসশিংসু দ্রোন এটেকশিং অদুনা মৈ চাকখি।

য়ুক্রেনিয়ন ওফিসলশিংনা হায়রি, মদুদি কেপিটেলদা অহিংদা থাজিল্লকখিবা দ্রোন ৪০ হেন্না কাপথখি। তৌইগুম্বসুং ইনফোর্মেসন অসিমক্তি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা ভেরিফাই তৌবদি নত্তে হায়রি।

প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা এয়র দিফেন্স অমসুং রেস্ক্যু সর্ভিসশিং থাগৎলদুনা হায়খি, মদুদি মখোয়না নোংথক্তা য়েংখৎতুনা য়েক্লবগী মিসাইলশিং, এয়রক্রাফট, হেলিকোপ্টরশিং অমসুং দ্রোনশিং মাঙহন তাকহনখি। নখোয়না য়েক্লবগী দ্রোন অমসুং মিসাইলশিং কাপথবা খুদিংগী মরাল লৈজদ্রবা পুন্সি কয়া কল্লবনি। মখোয় হিরোশিংনি।

কিভতা লৈবা অনাষ্টাসিয়া কৌবা নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না য়ুমদা তুমদুনা লৈরিঙৈদা মহাক্কী থোঙনাওগা য়াম্না নক্লনা দ্রোন অমা পায়রকপগী মখোল তারকপদগী মহাক মীকপ থোকখি। ওফিসল খরনা রসিয়াবু রেসিদেন্টশিংনা কিভ দে সেলেব্রেসন তৌনবা শেম শারিঙৈদা অতম্না কিভতা টার্গেট তৌবগী মরাল শীখ্রে।

# নুপা অমনা নোংথক্তা থোঙ হাংদোক্লুবদগী এসিয়ানানা ইম্মর্জেন্সি সিটশিং য়োনবা লেপখ্রে

**সিওল, মে ২৮ (এজেন্সী):**

সাউথ কোরিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা করিয়র এসিয়ানা এয়রলাইন্সনা হায়খ্রে, মদুদি হন্দক্তা পেসেঞ্জর অমনা এ ৩২১-২০০ অমগী থোঙ লেন্দিং তৌরমদাইদা হাংদোক্লুবগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা এয়রলাইন্স অসিনা এয়রক্রাফট মোদেল অসিগী অকক্লবা ইম্মর্জেন্সি সিটশিং য়োনবা লেপ্লে।

কম্পেনি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি এসিয়ানা এয়রলাইন্সনা পেসেঞ্জর ১৭৪ পুবা ঙন্বা এ ৩২১-২০০ ১১ গী এ সিট ২৬ অমসুং পেসেঞ্জর ১৯৫ পুবা ঙন্বা এ ৩২১-২০০ অহুমগী এ সিট ৩১ য়োনবা লেপ্লে।

প্লেনশিং অদুগী সিট পুন্নমক বুক তৌরবসু এ ৩২১-২০০ শিংগী ইম্মর্জেন্সি দোরশিংগা য়েৎলোমদা তাইনরিবা সিটশিং রিজার্বেসন তৌবদা য়াওহল্লরোই হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

নোংথক্তা পায়রিঙৈদা থোঙ হাংবগী থৌদোক অদু হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা খা থংবা জেজু ঈথৎতগী কেপিটেল সিওলগী খা নোংপোক্লোমদা কিমি ২৩৭ লাপ্না লৈবা দেগু সিটি তম্না পায়রকখিবা এ ৩২১-২০০ এয়রক্রাফট অমদা থোকখিবনি।

সিট ১৯৫ গী এ ৩২১-২০০ এয়রক্রাফট অদুনা দেগু ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা লেন্দিং তৌরমদাই লৈমায়দগী শুপ্নগী মিটর ২১৩ দমক ৱাংনা লৈরিঙৈদা ইম্মজেন্সি সিট পরিংদা ফল্লিবা নুপা অমনা থোঙ হাংখিবনি। ইরাই নুমিৎকী থৌদোক অদুদা প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই ১৯৪ গী মনুংদা অমত্তা মখাদা তারকখিদে নত্তগা অশোক অপন থোকখিদে। তৌইগুম্বসুং মীপায়বা পোক্লবা পেসেঞ্জর ১২ দা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবগী লাইওংশিং উবদগী পেসেঞ্জর খরদি হোস্পিটালদা পুখি।

এভিএসন সেক্যুরিটি লো থুগায়বগী মরালদা কোর্ট অমনা লি কৌবা মীওই অদুবু ফাননবা নোংমাইজিং নুমিত্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখি।

# ইরান-অফঘান বোর্দরদা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখ্রে

**টেহরান/কাবুল, মে ২৮ (এজেন্সী):**

ইরান অমসুং অফঘানিষ্টানগী বোর্দর পোষ্ট অমগী মনাক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা ইরানিয়ন বোর্দর গার্দ অমসুং টালিবান ফাইটর অমা শিখ্রে হায়না টালিবানগী স্পোক্সমেন অমসুং ইরানগী ষ্টেট মেদিয়ানা হায়রি।

মীওই কয়া অমসু অশোক অপন নঙখিবা থৌদোক অদু কনানা কায়হৌবদগী থোক্লকখিবনো হায়বা খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমদ্রবসু থৌদোক অদু ঈশিং শীজিন্নবগী রাইটকী মতাংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম লৈরিঙৈদা থোক্লকখিবনি।

ইরাননা অফঘানিষ্টানগী টালিবান রুল্লরশিংবু হেলমন্দ তুরেলগী ঈশিং ইরানগী নোংপোক থংবা লমগংশিংদা চেল্লকপদা থিংজিন্দুনা কুমজা ১৯৭৩ গী ট্রিটি অমা থুগায় হায়না মরাল শীখি।

অমরোমদা, ইরানগী ৱাফম অসিবু টালিবাননা রিজেক্ট তৌখ্রে। টালিবাননা চল্লাইবা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অব্দুল নাফি টাকোরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি ঙসি নিমরোজ প্রোভিন্সতা ইরানিয়ন বোর্দর ফোর্সশিংনা অফঘানিষ্টানলোমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুগী মায়োক্তা অফঘানিষ্টাননসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি।

হৌজিক্তি মফম অদুগী ফিভম লাকশিল্লে। ইস্লামিক ইমিরেট অসিনা মসিগী য়ুমথংনরিবশিংগা লান শোক্লবা পামদে হায়না স্পোক্সমেন অসিনা ভিক্তিমশিং অদুবু মশক তাক্তনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি নাকল অনীমক্তা মীওই অমমম



শিখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া অশোক অপন নঙখ্রে।

ইরানগী ওফিসল ইর্না ন্যুজ এজেন্সিনা মতুং তাবদা নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা ইরানিয়ন বোর্দর গার্দ অনী শিখিবগা লোয়ননা ইরানিয়ন সিভিলিয়ন অনী অশোক অপন নঙখি হায়না ফোঙদোকখি।

নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদুগী মতুংদা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা মরু ওইবা কর্মসিএল ক্রোসিং অমা ওইরিবা মিলাক- জরন বোর্দর পোষ্ট মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রিবা ফাওবা থিংজিনখি। তৌইগুম্বসুং খুৎ থোক্লরিবা মফম অদুদি থিংজিনবা তৌখিদে।

ইরানগী দিপ্যুটি পুলিস চীফ কাসিম রিজায়েক্না মমাঙদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা টালিবান ফোর্সশিংনা ইন্টরনেসনেল লোশিং ভাইওলেট তৌবগা লোয়ননা য়ুমথংননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন তুংওইনরগা সাসোলি চেক পোইন্টদা নোংমৈ কাপ্লা হৌরকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# সিজ ফায়র মখা শাংথনবা য়ুএস অমসুং সাউদি অরাবিয়া অমদি ইজিপ্টনা সুদানগী লান শোক্লরিবা পার্টিশিংদা আপিল তৌখ্রে

**ৱাশিংতন, মে ২৮ (এজেন্সী):**

সুদানদা চয়োল অমা চৎনরকখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মতম লোইগদবা সিজ ফায়র মখা শাংথনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা লান শোক্লরিবা সাইদশিংদা আপিল তৌখ্রে।

য়ুএস অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা ৱাতেমদুনা সুদানিষ্ট আর্মি অমসুং রাইবেল পেরা মিলিটরি ফোর্স অমনা হৌখিবা চয়োল অমা চুপ্পা চৎনগদবা ট্রুস পুরকখিবনি। অদুম ওইনমক মমাঙদা পুরকখিবা সিজ ফায়রশিংগুম্না চয়োল অমা চুপ্পা সিজ ফায়র চৎনহল্লিবা অদুনসু কেপিটেল খার্তুম অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা লান শোক্লবা মপুং ফানা লেপহনবদি লৈখিদে।



নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা থোকখিবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুএস অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা লোকেল মতমদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.৪৫ তাবদা মতম লোইগদবা হৌজিক্কী ট্রুস অদু শাংদোকহন্নবা আপিল তৌখি। চয়োল অমা চৎনহনখিবা সিজ ফায়র অদু মপুং ফাবা সিজ ফায়র ওইখিদবা তারবসু মদুবু মতম হেন্না শাংদোকহন্দুনা সুদানিষ্ট মীয়ামদা য়াম্না মথৌ তারিবা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং থুনা ফঙহনবদা খুদোং চাহনগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা সুদানগী মিলিটরি গভর্ণমেন্ট অমসুং রাইবেল রেপিদ সপোর্ট ফোর্সেসতা মখা তানা নিগোসিএসন চথনবসু তকশিনখি। হৌখিবা এপ্রিলগী ময়াই চনবা শরুক্তগী মিলিটরি অমসুং মতিক ময়াই লৈরবা আর এস এফকী মরক্তা লান শোক্লরকখিবনি।

মিলিটরি চীফ জেনরেল অব্দেল-ফতা বুরহান অমসুং আর এস এফকী লিদর জেনরেল মোহমদ হমদন দগালো অনীমক্না কুমজা ২০২১ দা কু অমা লুচিংদুনা নোংচুপলোম্না শৌগৎখিবা পিএম অব্দালাহম টোক্কী গভর্ণমেন্ট চিংথুখিবনি।

লান অদুনা খার্তুম অমসুং তাইনবা সিটি অমদুরমানবু অচৌবা লানবুং অমা ওইহনখি। নাকল অনীগী লান অদু মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা দারফুর রিজন য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদসু শন্দারকখি। কনফ্লিক্ট অদুদা মীওই চা কয়া শিখ্রে অমদি মীওই লিশিং কয়া অশোক অপন নঙখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসি হিরম খুদিংমক্তা মপুং ফানা ফেল ওইবগী ফিভম লাকহনখি।

লান অসিনা মরম ওইদুনা মীওই মিলিয়ন ১.৩ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা সুদান মনুংগী খরা সেফ ওইবা মফমশিং নত্ত্রগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চঙশিন্নখি। নোংমাইজিং নুমিত্তা আর্মিগী এয়রক্রাফট কয়া পায়বা উখিবা ওমদুরমানগী মফম খরদা মচি মরুম খরদা খুৎ থোক্লখি হায়না রেসিদেন্টশিংনা ফোঙদোক্লখি। নোর্থ দারফুরগী প্রোভিন্সিএল কেপিটেল অল-ফাসেরদসু লান শোক্লবগী পাউ ফঙখি।

ইজিপ্টকী প্রসিদেন্টনসু সুদানদা মপুং ফাবা অমসুং তুং কোইনা চৎনগদবা সিজ ফায়র অমা পুরক্লবা আপিল তৌখ্রে। সুদানগী ইন্টর্নেল কনফ্লিক্ট অদুদা তুং কোইনা চৎনগদবা মপুং ফাবা সিজ ফায়র অমা পুরকপা অসি য়াম্না মথৌ তাই হায়না প্রসিদেন্ট অব্দেল-ফতা অল-সিসিনা অফ্রিকন য়ুনিয়নগী পিছ এন্দ সেক্যুরিটি কাউন্সিল (পি এস সি) গী ভার্চুল মীটিং অমদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুনা সুদানগী ক্রাইসিস অমসুং দিভলপমেন্টশিং কুপ্না খন্নখি।

# কানাদাগী প্রোভিন্স অমনা অখন্নবা ইভেন্টশিংদা সিখ মোটোর সাইক্লিষ্টশিং হেলমেটশিং শীজিন্নদবা য়াহনখ্রে

**টোরোন্টো, মে ২৮ (এজেন্সী):**

কানাদাগী সাস্কৎচেৱান প্রো-ভিন্সকী গভর্ণমেন্টনা সিখ মোটোর সাইক্লিষ্টশিংবু চেরিটি রাইদশিংগুম্বা অখন্নবা ইভেন্টশিংদা মতম খরগী ওইনা হেলমেটশিং শীজিন্নদবা য়াহনখ্রে।

বৃটিস কলম্বিয়া প্রোভিন্সতা বেজ তৌবা মোটোর সাইকল গ্রুপ অমা ওইরিবা লিজেন্দরি সিখ রাইদর্সনা চেরিটিগা মরী লৈননা মখোয়বা কানাদা শিন থুংনা মোটোর সাইকল থৌদুনা শেল খোম্বা য়াহন্নবা অহোংবা অমা খন্নবীনবা সাস্কৎচেৱানদা হায়জবদগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

বৃটিস কলম্বিয়া, অলর্বাটা, মনিটোবা অমসুং ওন্টারিও, সাস্কৎচেৱাননচিংবা প্রোভিন্সশিংদা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা মরম খরদা য়ুম্ফম ওইরগা মতম চুপ্পগী ওইনা হেলমেট শীজিন্নবগী অথিংবা কোমথোক্লবসু লোনা মোটোর সাইক্লিষ্ট পুন্নমকপু মীয়ামগী ওইবা লম্বীশিংদা মোটোর সাইকল অমা থৌরকপা মতমদা তঙাই ফদনা হেলমেটশিং শীজিন্নবা মথৌ তাহল্লি।

এস সি আইগী চার্জ পুরিবা মিনিষ্টর দোন মোর্গাননা হায়খি, মদুদি হেলমেটশিং অসি মোটোর সাইক্লিষ্টশিংগী ওইনা য়াম্না মথৌ তাবা সেফতিগী ইক্বিপমেন্ট অমনি। সাস্কৎচেৱান গভর্ণমেন্টনা থাদোরকপা মেদিয়া রিলিজ অমগী মতুং ইন্না ভেহিকল ইক্বিপমেন্ট রিগুলেসনগী এমেন্দমেন্টশিং মতম খরগী ওইগনি অমসুং মোটোর সাইকলশিং থৌবদা হেলমেটশিং শীজিন্নহল্লিবসি সিখ লাইনিং লাইশোনগী মেম্বর পুন্নমক্কী ওইনা কোমথোকপদি ওইরোই।

অখন্নবা ইভেন্টশিংদা সিখ মোটোর সাইক্লিষ্টশিংবু হেলমেট শীজিন্নদবা য়াহল্লিবসি সাস্কৎচেৱান গভর্ণমেন্ট ইন্সুরেন্স (এস সি আই) গী থৌদাং লৌরিবা মিনিষ্টরনা অয়াবা পীগদবনি অমসুং মদু মহৌশাদগী চৎনরকপা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা তঙাই ফদবা লৈবদগী কোকয়েৎ য়েৎলিবা অমসুং হেলমেটশিং উপ্পা ঙমদবা সিখ কম্যুনিটিগী মেম্বরশিং খক্তগী হেন্না অতৈনা খুদোংচাবা অসি ফঙলোই।

# গিলগিট-বালটিষ্টান রিজনদা উন মপৈনা ননবদগী মীওই ১০ শিখ্রে

**ইস্লামাবাদ, মে ২৮ (এজেন্সী):**

পাকিস্থানগী অৱাং থংবা গিলগিট-বালটিষ্টান (জি বি) রিজনদা নোমেদশিংগী কনভোই অমা চীংথক্তগী চেন্থরকপা উন মপৈনা ফুমজিনবদগী মীওই তরা শিখ্রে অমসুং মীওই তরানা অশোক অপন নঙলে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা জি বিগী চীফ সেক্রেটরি মুহিয়ুদ্দিন অহমদ ৱানিনা হায়খি, মদুদি থৌদোক অদু থোক্লিবা মনুং হঞ্জিনবা অষ্টোরিদিষ্টিক্কী মফম অদুগী লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবা অমদি নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা রেস্ক্যু টিমশিংনা উন মপৈশিংগী মনুংদা লৈরিবা মীওই কয়া চিংথোক্লবা হোৎনরবসু মখা তানা উন মপৈ মনুংদুদা লৈরি হায়বগী অকিবা লৈ।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি মফম অমদগী অমদা কোইহোং হোংদুনা চৎপা মীওই কাঙবু অদু পাকিস্থাননা কন্ট্রোল তৌবা কাশ্মিরদগী অনৌবা শঞ্জাবুংশিং থীবা ওইনা মখোয়গী শা-ষণশিংগা লোয়ননা অষ্টোর য়ৌনবা লাকখিবনি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না চহী খুদিংগী মেদগী জুন ফাওবদা নোমেদ লিশিং কয়ানা নোং চীংগী ফিভম ফরকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়গী শা ষণশিংগী মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফঙবা মফম থীরকপদা লমদম অদুদা চৎনরিবনি। মখোয় ওক্তোবরগী উন তাবা হৌরকপা মতমদগী অমুক মখোয়গী মফমশিং অদুদা হঞ্জিল্লি। নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা অশোকপ মীওইশিং অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই কয়া অরুবা ফিভমদা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# য়েমেনদা চিঞ্জাক্কী সেক্যুরিটি লৈতবা অসি অচৌবা থ্রেট ওইরি

**সানা, মে ২৮ (এজেন্সী):**

য়ুএন অমসুং মসিগী পার্টনরশিংনা কন্না হোৎনদুনসু য়েমেনদা ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী প্রোব্লেস অসি হৌজিকসু অরুবা থ্রেট অমা ওইদুনা লৈরি হায়না ৱার্ল্ড বোদি অসিগী ওফিসল অমনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ুএন রেসিদেন্ট এন্দ হ্যুমেনি-টরিয়ন কো ওর্দিনেটর ফোর য়েমেন দেবিদ গ্রেস্লিনা হায়খি, মদুদি য়েমেনগী মীওই মিলিয়ন ১৭ হৌজিকসু ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী ফিভম মায়োক্লদুনা লৈরি হায়বসি য়ুএন ফুদ এজেন্সি, ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রাম (দব্লিয়ু এফ পি) অমসুং য়ুনিসেফকী রিপোর্ট অমনা হন্দক্তা উৎখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হেন্না নুংনাংনিংঙাই ওইবা ট্রেন্দ অমা লাক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরদুনা কুমজা ২০২৩ গী অহানবা থা মঙাগী মতমদা ফুদ ইন সেক্যুরিটিগী অরুবা ফিভম মায়োক্লরিবা মীশিং মিলিয়ন ৩.২ ওইরিবা অসিদগী চহী অসিগী অকোনবগী থা তরুক্কী মতমদা মিলিয়ন ৩.৯ ফাওবা হেনগৎলক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। মশিংশিং অসিগী মরক্তা মীওই মিলিয়ন ২.৮ লোম ক্রাইসিস থাক্কী চাবা ফঙদবগী ফিভম মায়োক্লরকপা য়াই। য়েমেনদা লৈবা দব্লিয়ু এফ পিগী রিপ্রজেন্টেটিব রিজার্দ রগাননা রিপোর্ট অদুদা য়েমেনদা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস অমসুং চাক্তাংবগী ফিভম অমা লাকহন্দনবগীদমক্তা য়াম্না থুনা অমসুং লেপ্তুনা সপোর্ট পীবা মথৌ তাই হায়না চেকশিন্না পনখি।

মহাক্না য়েমেনগী ফুদ সেক্যুরিটিগী ফিভম মতম অমদা হেক্তা অরুবা ফিভমদা লাকপা য়াই হায়না পল্লদুনা মতেং লেপ্তুনা পীদবা তারবদি হৌখিবা চহী খরা অসিদা ৱানা হোৎনদুনা লাকখিবা প্রোগ্রেস অরেম্বা তাহনবা য়াই হায়নসু মহাক্না ৱার্নিং তৌখি।

নুপা, নুপী অমসুং অঙাং কয়ানা চাবা ফংদবগী নত্ত্রগা মপুং ফানা চাদবগী প্রোব্লেম মায়োক্লদুনা লৈরি হায়রদুনা রগাননা দোন্নরশিংদা য়েমেনগী মীয়াম্বু মতেং পাঙগনি হায়বা মখোয়গী কম্মিটমেন্ট অদু অমুক হন্না কনফার্ম তৌনা তকশিনখি।

# মোটোর সাইকল রেল্লিদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অহুম শিরে, মঙা শোক্লে

**হ্যুষ্টন, মে ২৮ (এজেন্সী):**

য়ুএসকী ন্যু মেক্সিকো ষ্টেটকী রেদ রিবরদা পাঙথোকখিবা মোটোর সাইকল রেল্লি অমদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং মীওই মাপননা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রেদ রিবরগী মেয়র লিন্দা কলহোম্না লোকেল মেদিয়া আউটলেট (কে ও এ টি) দা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থাংজ নুমিত্তা থোকখিবনি অমসুং মদু গেঙ মশেলগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা মাল্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা মীওই অহুম শিখি অমসুং মঙা শোকখি হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

রেল্লি অদুগী ৱেবসাইট মতুং ইন্না নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু মে ২৫ দগী ২৯ ফাওবা চথগদবা ৪১ শুবা এন্যুএল রেদ রিবর মেমোরিএল মোটোর সাইকল রেল্লিদা থোকখিবনি।



রেল্লি অদুদা তোঙান তোঙানবা বেকগ্রাউন্দ খুদিংমক্কী বাইক্কর ২৮,০০০ না শরুক য়াই। সি এন এন এফিলিএট কে ও এ টিনা মেয়রগী ৱারোল পল্লদুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা চেন্নবা পুন্নমক পুলিস কষ্টদিদা লৈরে।

থৌদোক অদুদা অশোক অপন নঙখিবা অতৈ মীওইশিং অদু টাউসতা লৈবা কোলি ক্রোস হোস্পিটাল অমসুং অলবুকেটতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু মেক্সিকো হেল্‌থতা পুখত্তুনা লায়কন্নখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।